### ইম্ফাল ইষ্ট সুব্রোতো মুখর্জি

# য়ুনিক অমদি গুদৱিলস য়ু-১৪ গী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর



ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ ডিষ্ট্রিক্ট য়ূঠ এফিয়ার্স এণ্ড স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টকি মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১২ দগী চহী ১৪ নুপামচাগী টিম ১২ অমসুং চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী টিম ৬না শরুক য়াদুনা আর্টিফিসিয়েল ফুটবোল গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চৎখরিবা ইম্ফাল ইষ্ট ডিষ্ট্রিক্ট লেবেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্ণামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী মেটচতা ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুলনা কৈবিনা ফ্রি প্রোগ্রেস একাডমি উয়ুম্পোকপু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং সনাথোইনা মেটচকি মিনিট ১৬ দা গোল অমা অমসুং বোইচানা মেটচকি মিনিট ৪৭ দা গোল অমগা স্কোর তৌদুনা পূন্না গোল ২ চনখি।

ফ্রি প্রোগ্রেস একাডমিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল মেটচকি মিনিট ১২ দা এল ননাওনা স্কোর তৌখিবনি।

মেটচ অসিদা ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুলগী অমুদোন মেটচকি মিনিট ৮ দা অমদি বিকেস মেটচকি মিনিট ৩১ দা লোয়ননা ফ্রি প্রোগ্রেস একাডমিগী এন সুরজ মেটচকি মিনিট ৪৪ দা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা য়ুনিক মোডেল একাডমি হৈঙাংনা পোইরৈখোনজিন হায় স্কুল য়াইরিপোকপু গোল ১০-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা য়ুনিক মোডেল একাডমিগী মায় পাকপগী গোলশিং ঐচ কিরননা মেটচকি মিনিট ১৫ অমদি ৬০ দা গোল অমা, টিঐচ সনামচানা মেটচকি মিনিট ১৮, ৩৫, ৪০, ৫১ অমদি ৬০ দা গোল ৪, টিঐচ লেনিননা মেটচকি মিনিট ১৯ অমদি ৫৫ দা গোল অনী অমসুং এসঐচ মালেমঙানবনা মেটচকি মিনিট ৫৭ দা গোল অমগা স্কোর তৌদুনা পূন্না গোল ১০ চনখিবনি।

পোইরৈখোনজিন হায় স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল মেটচকি মিনিট ৫০ দা শান্তিকুমারনা স্কোর তৌখিবনি।

অরোইবা মেটচতা শান্নখিবদা গুদৱিল সি হায়স্কুল য়াইঙংপোকপীনা সেন্ট জোর্জ হায় স্কুল ৱাংখৈবু গোল ১০-১ দা মায়থীবা পীখি।

মেটচ অসিদা গুদৱিল সি হায়স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং পিঐচ রাজুনা মেটচকি মিনিট ৮ দা গোল অমা, এ ফাওবনা মেটচকি মিনিট ১১ অমদি ৪৪ দা গোল অনী, এম থোইথোইবনা মেটচকি মিনিট ২২ দা গোল অমা, এন ধনাকোনা মেটচকি মিনিট ৩৩ দা গোল অমা, এম অজয়সননা মেটচকি মিনিট ৩৮ অমদি ৫০ দা গোল অনী, এস অমরজিৎনা মেটচকি মিনিট ৪৮ অমদি ৫২ দা গোল অনী অমসুং ও দিনেসনা মেটচকি মিনিট ৫৫ দা গোল অমগা স্কোর তৌদুনা পূন্না গোল ১০ চনখি।

মেটচ অসিদা সেন্ট জোর্জ হায় স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল মেটচকি মিনিট ৩৪ দা দিবাপৌনা স্কোর তৌখিবনি।

চহী ১৭ মখাগী নুপামচাগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সিঐচ ইবোয়াইমা হায় স্কুলনা অনন্দা সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলবু গোল ৪-০ দা অমদি অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা ব্রাইট কেরিয়র একাডমিনা সেন্ট জোর্জ হায় স্কুলবু গোল ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

সিঐচ ইবোয়াইমা হায় স্কুল অমদি অনন্দা সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা শান্নখিবা মেটচতা সিঐচ ইবোয়াইমা হায়স্কুলগী মায় পাকপগী গোলশিং বিক্রমজিৎনা মেটচকি মিনিট ১৬ অমদি ৪৮ দা গোল অনী, অর্নোল্ডনা মেটচকি মিনিট ৩৮ দা গোল অমা অমসুং রোকিসননা মেটচকি মিনিট ৫১ দা গোল অমগা স্কোর তৌদুনা পূন্না গোল ৪ চনখিবনি। মেটচ অসিদা অনন্দা সিংহ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী থৌঙৌলেন কিলোন মেটচকি মিনিট ২ দা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবা সেন্ট জোর্জ হায় স্কুল অমদি ব্রাইট কেরিয়র একাডমিগী মেটচতা ব্রাইট কেরিয়র একাডমিগী মায় পাকপগী গোলশিং রোজর এনা মেটচকি মিনিট ৭ অমদি ১৪ দা গোল অনী, এস কৃষ্ণনন্দনা মেটচকি মিনিট ১৬ দা গোল অমা অমসুং প্রিয়ানন্দনা মেটচকি মিনিট ৩৭ দা গোল অমগা স্কোর তৌদুনা পূন্না গোল ৪ স্কোর তৌখিবনি।

হয়েং চহী ১৪ মখাগী কাঙলুপকি অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল হয়েং অয়ুক্কী পুং ৬.৩০ দা ব্রাইট কেরিয়র একাডমি লম্লাই অমদি সিঐচ ইবোয়াইমা হায়স্কুল শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়না অমসুং অয়ুক্কী পুং ৮ দা অরোইবা ক্বাটর ফাইনেলদা ওরিয়েন্টেল ইংলিস স্কুল কৈবী অমদি কোভেনেন্ট ইংলিস স্কুল ন্যু চেক্কোননা শান্নগনি।

### ব্রাইটর ক্লব ফুটবোল টুর্ণামেন্ট

# এডব্লিয়ুএসসিনা কেএলএসসি থোইখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোৎশংবম খুলেননা শীন্দুনা মমাঙ থাগী ২৪ দগী ক্লব অসিগী শান্নবুংদা টিম ২০ না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চৎখরিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেবেল এলেবেন মেন ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্ণামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি অহানবা মেটচতা শান্নখিবদা ব্রাইটর ক্লব বিসি অমদি কোইরেঙ্গৈ এফসি গোল ১-১ দা দ্রো, অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবদা ডব্লিয়ুএসসি অৱাং ৱাবগাইনা কেএলএসসিবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখিবগা লোয়ননা অরোইবা মেটচতা শান্নখিবদা সেকমাই এফসি অমদি লিসবোন লুৱাংশংবম গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি অহানবা মেটচতা শান্নখিবা ব্রাইটর ক্লব বিসি অমদি কোইরেঙ্গৈ এফসিগী মেটচতা কোইরেঙ্গৈ এফসিগী লিঙ্কিনা মেটচকি মিনিট ২৯ দা গোল অমা স্কোর তৌদুনা মায় পাকপগী অশা তৌরবসু ব্রাইটর ক্লবকি রাহুলনা মেটচকি মিনিট ৩০ দা গোল ইক্কেলাইজ তৌদুনা পূন্না গোল ১-১ দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা কেএফসিগী লনচেনবা মেটচকি মিনিট ৫৫ দা, অমরজিৎ মেটচকি মিনিট ৫৬ দা অমদি পিটর মেটচকি মিনিট ৬১ দা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌখি।

অনীশুবা মেটচতা শান্নখিবা এডব্লিয়ুএসসি অৱাং ৱাবগাই অমদি কেএলএসসি কোন্থা খাবমগী মেটচতা এডব্লিয়ুএসসিগী মায় পাকপগী গোলশিং পি শ্যামসননা মেটচকি মিনিট ২০ দা গোল অমা, এস মোহোঞ্জিৎনা মেটচকি মিনিট ২২ দা গোল অমা, অমদি এম অমরজিৎনা মেটচকি মিনিট ৩৬ দা গোল অমগা স্কোর তৌদুনা পূন্না গোল ৩ চনখিবনি।

কেএলএসসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল মেটচকি মিনিট ৪৩ দা য়ুহেনবনা স্কোর তৌখিবনি।

ঙসিগী অরোইবা মেটচতা শান্নখিবা সেকমাই এফসি অমদি লিসবোন এফসিগী মেটচতা সেকমাই এফসিগী এম ইবোমচানা মেটচকি মিনিট ১৫ দা গোল অমা স্কোর তৌদুনা মায় পাকপগী আশা তৌরবসু লিসবোন এফসিগী য়াসফবনা মেটচকি মিনিট ৬৪ দা গোল ইক্কেলাইজ তৌদুনা পূন্না গোল ১-১ দা দ্রো ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা সেকমাই এফসিগী এ নিতেস অমদি লিসবোন এফসিগী নাওবা মেটচকি মিনিট ৬০ দা রেফ্রিনা সেন্ট ওফ তৌখিবগা লোয়ননা সেকমাই এফসিগী য়ু রোহিত মেটচকি মিনিট ১৯ দা, এম ইবোমচা মেটচকি মিনিট ৪১ দা অমসুং লিসবোন এফসিগী কিষন মেটচকি মিনিট ২০ দা, কেঐচ রোহিত মেটচকি মিনিট ৫৮ দা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌখি।

হয়েং মেটচ লৈরোই থা অসিগী ১৫ গী অহানবা মেটচ নুংথিলগী পুং ১ দা গ্রুপ-এগী লীগ মেটচতা কোন্থৌজম অমদি কংলাতোংবীনা অমসুং অনীশুবা মেটচতা নুংথিলগী পুং ২.৩০ দা গ্রুপ-সিগী লীগ মেটচতা মহারাবী অমদি খাবমনা শান্নগনি।





মার্চ২ দগী ৫ ফাওবা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়নগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ৮শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট ২০১৮ দা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা মকোক মথং তাখ্রবশিং সঙাই এক্সপ্রেসকি শান্নরোয়শিংনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা মনা মথুম য়েহোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনশিংদগী মনা লৌবা

### অহানবা য়াইরিপোক ট্রোফি

# মৈরা এফসি তেকচমনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর





ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ বিষ্ণুনহা য়ূঠ ফেডরেসন য়াইরিপোকনা শীন্দুনা চহী অসিগী এপ্রিল ২১ দগী বিৱাইএফৱাইগী শান্নবুংদা টিম ১২না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চৎখরকপা অহানবা য়াইরিপোক ট্রোফি ফুটবোল টুর্ণামেন্ট ২০১৮ গী ৱিন্নর মৈরা এফসিনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মৈরা এফসিনা অংথা এফসিবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অসি ওক্রম সুরজকুমার-এমএলএ খাঙবোক এসি, কে মেঘচন্দ্রা-এমএলএ ৱাংখেম এসি, ওইনাম গৌদাস-প্রসিডেন্ট বিৱাইএফৱাই, কেঐচ সুব মেম্বর ৱাংখেম জিলা পরিষদ, সলাম কুমারর ফোর্মর জিলা পরিষদ লৈরোংথেল লোয়ননা য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লরশিং শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুমশিং য়েহোকখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবা মৈরা এফসিদা ট্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা ৫০,০০০, রন্নর অপ তাখ্রবা অংথা এফসিদা শেলগী মনা লুপা ৩০,০০০, পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

টুর্ণামেন্ট অসিগী বেষ্ট ডিসিপ্লিন টিমগী মনা বিৱাইএফৱাইএ য়াইরিপোক্তা শেলগী মনা লুপা ৫০০০, বেষ্ট প্লেয়রগী মনা মৈরা এফসিগী এমদি ইম্রান খাননা, বেষ্ট গোলকিপরগী মনা অংথা এফসিগী প্রেমনা, মেন ওফ দ ফাইনেল মেটচকি মনা মৈরা এফসিগী কেএসঐচ মঙলেম্বা মৈতৈনা, টুর্ণামেন্ট অসিগী টোপ স্কোররগী মনা মৈরা এফসিগী ইম্রান খাননা তাদুনা মথংশিংনা শেলগী মনা লুপা ২০০০ /২০০০ পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা মৈরা এফসিগী ৱিন্নর ওইবগী গোল অনীমক ইম্রান খাননা মেটচকি মিনিট ৪৯ অমদি ৫৭ দা চনখি।

মেটচ অসিদা অংথা এফসিগী গোল এল বিশ্বজিৎনা মেটচকি মিনিট ১১ দা চনখি।

মেটচ অসিদা মৈরা এফসিগী মিলন মেটচকি মিনিট ৬০দা রেফ্রিনা সেন্ট ওফ তৌবগা লোয়ননা দিপক মেটচকি মিনিট ৫১ দা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌবগা লোয়ননা অংথা এফসি রোকি মেটচকি মিনিট ৬০ দা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌখি।

### থা-তাগী ওজা হাপ্পীয়ু

# কিমাক্সকি খোঙজংদা শৌগৎকনি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১২ঃ থাং-তাগী ওজা হাপ্পীয়ু লোয়ননা থাং-তাগী নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেল সার্টিফিকেট পায়রবা শান্নরোয়শিং থবক চঙবদা চহী কোমথোকপীয়ু হায়না হুইয়েন লাংলোন থাং-তা এসোসিয়েসন মণিপুরনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ৱাফম অসিগা মরী লৈননা কংলৈ ইনি দজেনস মার্সিয়েল আর্ট কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স) না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংশিংদা শৌগৎকনি অমসুং থাং-তাগী লূপ পুন্নমক্লসু শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর লৈঙাক্লা হায়র সেকেন্দরিগী থাক্কী লেকচরর ৬৮৮ লৌবা অসিদা থাং-তাগী ওজাশিংবুসু য়াওহনবীয়ু হায়না থল্লক্লি।

থাং-তা অসি সবজেক্ট অমা ওইনা ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ব ফাওবা হাপ্পীবগা লোয়ননা প্রাইভেট স্কুল ৭০ / ৮০ রোমদা কথোকপগা লোয়ননা থাং-তাগী শিন্তাকপা ওইনা থৱায় য়াওনা মহৈরোয়শিং চহী ৪ /৫ তম্বীদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা হায়র সেকেন্দরি থাক্কী লেকচরর লৌগদৌরিবা অসিদা থাং-তাগী ওজাশিংসু লৌবদা য়াওহনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

ৱাফম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চিংশিনবীদ্রবদি কংলৈ ইনি দজেনস মার্সিয়েল আর্ট এণ্ড কলচরেল সোসাইটিনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংদা লমদম অসিগী থাং-তাগী লূপশিং অমদি হুইয়েন লাংলোন থা-তা এসোসিয়েসন মণিপুর য়াওনা পূন্না শৌগৎতুনা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়নসু হুইয়েন লাংলোন থাং-তা এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

### ইবেমহল মেমোরিয়েল কাং

# এলকেকে কাংখুৎ মায় পাকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ ওল হলাকান্দি ডিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন অমদি বির তিকেন্দ্রজিৎ স্পোর্টস এণ্ড কলচরেল ওর্গনাইজেসননা পূন্না খুৎশম্নদুনা থা অসিগী ১ দগী কাংখুৎ ১২না গ্রুপ-৩ থো ক্লা খায়দোক্তুনা হরি মন্দির মন্দোপ, বিটি রোড, ললাদা চৎখরিবা ইবেমহল মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন লীগ কম নোক আউট নুপী কাংখুৎ কাং টুর্ণামেন্ট ২০১৮দা এলকেকে কাংখুৎ ললানা লাইশ্রম খুন কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৮-১৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মথংগী মেটচ থা অসিগী ১৮ গী অয়ুক পুং ৯.৩০ দা শথেল বঙ্গলাদেশ অমদি হোজাই অসামনা অমসুং নুংথিলগী পুং ২ দা ইমা কাংখুৎ কছার অমদি জিরিবাম মণিপুরনা শান্নগনি।

### তিলোতমা নীংশিং মিক্স কাং

# এসএৱাইসি-এ মায় পাকখ্রে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ ডিষ্ট্রিক্ট কাং এসোসিয়েসন জিরিবামনা শীন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী কাংখুৎ ৮না গ্রুপ-২ থোক্লা খায়দোক্তুনা সড়ক অতিংবী হিল ঘাট কম্যুনিটি হোলদা চৎখরিবা ১৭শুবাই তিলোতমা দেবী মেমোরিয়েল মিক্স কাং টুর্ণামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচতা এসএৱাইসি-এ কাংখুৎ সড়ক অতিংবী কাংখুৎনা এমআইটিএল কাংখুৎ জিরিবামবু পাঞ্জল ২৪-৬ দা মায়থীবা পীখ্রে।

থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ১ দা গ্রুপ-বিগী লীগ মেটচতা ঈচেল ক্লব দিবোং কাংখুৎ অমদি এলইসি-এ বাবুপড়া কাংখুৎনা শান্নগনি।

# কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা সাইগী কোচ লৌগদৌরি

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরনা থোকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না চহী অমগী তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী কোচ কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা লৌগদৌরি।

লৈবাক শিনবা থুংনা চহী অমগী কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা কোচ লৌগদৌরিবা অসিদা এপ্লাই তৌনিংবশিংনা নমথোক্লবা এপ্লিকেসন ফোর্ম আগষ্ট ৩ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবগী অরোইবা মতম ওইগনি। লোয়ননা হেন্না কুপ্পা মরোল অমদি এপ্লিকেসন ফোর্ম www.sportsauthorityofindia.nic.in দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

কন্ট্রেক্ট বেসিস্তা লৌগদবা কোচশিংদি এঠলেটিক্স, আর্চরি, বেডমিন্টন, বোক্সিং, সাইক্লিং, ফুটবোল, জিম্নাষ্টিক, জুদো, কয়াকিং এণ্ড কেনোইং, খো- খো, কববাদি, লোন টেনিস, রোইং, স্বিমিং, ভোল্লিবোল, ৱেটলিফটিং, রেষ্টলিং, বাস্কেটবোল, ফেন্সিং, হেন্দবোল, করাটি, সেপাক তাক্রৌ, টেবল টেনিস, তাইক্বান্দো অমদি বুসুনি।

এপ্লাই তৌনিংবশিংনা মশাগী চহী ২০১৮ গী আগষ্ট ৩০ ফাওবগী মনুংদা মশাগী চহী ৩০ দগী হেন্দবা ওইগদবনি। গবর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী নিয়মগী মতুংইন্না চহী কোমথোকপগী নিয়ম লৈগনি হায়রি।







### ব্রিক্স য়ু-১৭ ফুটবোল

# মণিপুরদগী ফুটবোল্লর ৪ কৌরক্লে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ সাউথ অফ্রিকাগী জোহন্সবর্গতা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৭ মখাগী ব্রিক্স ফুটবোল টুর্ণামেন্টতা শরুক য়ারুনবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেডরেসননা ইন্দিয়াগী টিম লাউথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদগী নুপীমচা মরী কৌরকখ্রে।

কৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংদি গোলকিপরদা মোনিকা দেবী, খুসি চনু, ডিফেন্দরদা পাকপী দেবী, মিডফিল্ডরদা বেবীসনা দেবীনি। অতৈ শান্নরোয়শিংদি গোলকিপরদা আর্চনা এ,ডিফেন্দরদা পবিত্রা মুরুগেসন, ইভাপনা, সুস্মিতা তনাতি, সন্থামুরমুর, মিডফিল্ডরদা গ্রেস লালরম্পরি, দেবিতা রোই, বনয়া কবিরাজ, সমিকসা লোয়ননা ফোরৱার্ডতা সন্থিয়া, ভনলারিতিতি, করিসমা রাই, মনিসা, সৌমা গুগুলোথ, করিমা শ্রিভোইকর অমদি রেনুনি।

ইন্দিয়ান টিমগী কোচ ওইনা সুক্লা দত্তা খনখ্রে।

### সাফ য়ু-১৫ ৱিমেন চেম্পীয়নশিপ

# মণিপুরদগী ফুটবোল্লর ৯ কৌরক্লে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ সাফ য়ু-১৫ ৱিমেন চেম্পীয়নশিপ্তা শরুক য়াননবা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ১৫ দগী আগষ্ট ৬ ফাওবা ওড়িষাগী কত্তক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা চহী ১৫ মখাগী নুপীমচাগী ফুটবোল টিমগী কোচিং কেম্পতা শরুক য়ারুনবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেডরেসননা মণিপুরদগী নুপীমচা মাপন কৌরকখ্রে।

কোচিং কেম্পকিদমক কৌরকখ্রবা নুপীমচাশিংদি এন খুসি চনু, এন গিতাঞ্জলি, এস মেকোলা দেবী, তি মার্টিনা, এন প্রিয়াঙ্কা দেবী, টিঐচ কৃতিনা দেবী, এস লিন্দা কোম, ঐচ সিলকি দেবী অমদি এল বেবীদোলিনি।

সাফ য়ু-১৫ কেম্পকিদমক কৌরকখ্রবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ১৫ দা কোচিং সেন্টরদা রিপোর্ট তৌরক্কদবনি লোয়ননা চেনা মরীগী অহাংবা য়াওবা থা ৬কি ভেলিডিটি লৈরিবা মশা-মশাগী ওরিজিনেল পাস্পোর্ট, বেক গ্রাউন্দদা অঙৌবা ওইবা মশা-মশাগী পাস্পোর্ট সাইজ ফোটো ৪ / ৪, ওরিজিনেল ডেট ওফ বার্ট সার্টিফিকেটকা লোয়ননা হান্ননা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেডরেসননা পীখিবা প্রাক্টিস অমদি মেটচকি কিটসশিং কেম্প লাকপদা লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

# ফিফা-এমএ কোর্সকি কৌরক্লে

ঐখোয়গী ষ্টাফ রিপোর্টর

ইম্ফাল, জুলাই ১৩ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেডরেসননা চৎলিবা চহী অসিগী আগষ্ট ৪ দগী ৮ ফাওবা কেরলাগী কোচিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা-এমএ রেফিরিং কোর্স অমসুং চহী অসিগী আগষ্ট ৫ দগী ৯ ফাওবা মফম অসিমক্তদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা-এমএ এসিষ্টেন্ট রেফ্রি কোর্সতা শরুক য়ানবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী রেফ্রি ৪ অমদি এসিষ্টেন্ট রেফ্রি মঙা কৌরকখ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেডরেসননা এমএ রেফ্রি কোর্সকিদমক কৌরকখ্রবশিংদি এল অজিৎকুমার মৈতৈ, এল প্রিয়োবর্ত্ত সিংহ, এন ইবুংঙো মৈতৈ অমদি আই রবিচন্দ্রা সিংহনি।

এসিষ্টেন্ট রেফ্রিগীদমক কৌরকখ্রবশিংদি এন রোপেন্দ্রা মৈতৈ, এন অরুনকুমার সিংহ, রিংকাহাও বাসুম, সাপম কেনেদি অমদি এমদি লতিফ অলিনি।

কনফার্মেসনগীদমক রেফ্রিগী ওইনা থা অসিগী ২০ দা অমসুং এসিষ্টেন্ট রেফ্রিগী ওইনা থা অসিগী ২১ ফাওবদা রিপোর্ট তৌগদবনি হেন্না কুপ্পা মরোলগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ইন-চার্জ এল জোতিমোরোইদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

# রাকিটিচনা অকনবা লাইহৌগা লোয়ননা সেমি শান্নখি

এজেন্সি



জুলাই ১৩ঃ ইংলেন্দবু সেমি-ফাইনেলসতা মায়থীবা পীদুনা মখোয়গী ইহান হানবা ইতিহাসিক ওইবা ৱার্ল্ড কপ ফাইনেল চঙদুনা ক্রোএসিয়াদনা পুৱারী শেমখি। প্লে হৌবদা ঙায়রিঙৈ মীনিট ৫ চৎপদা ইংলেন্দগী কিয়েরান ট্রিপ্পিয়রনা গোল অমা ইংলেন্দ খুদোল তমদুনা থ্রী লাইন্সনা লিদ তৌদুনা লৈহনখি। অদুবু সেকেন্দ হাল্ফতা ফজবা পর্ফোমেন্স পীদুনা শান্নরকখিবা ক্রোএসিয়াগী ইভান পেরিসিসনা ৬৯শুবা মীনিটতা ইক্কেলাইজর অমা চনশিন্দুনা মিপাইনবা খম থেংলুরবা লুজনিকি ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা ক্রোএসিয়ান ফেনশিংগী থম্মোয় পেলহনখি।

মতুং তারকপা এক্সট্রা টাইমগী ১০৯শুবা মিনিটতা চনখিবা মারিও মান্দজুকিক্কি গোল অদুনা ক্রোএসিয়াগী ৱার্ল্ড ফুটবোল হিষ্টরিদা ইহান হানবা ওইনা ফাইনেল চঙনবগী শিদহিদাক ওইখি।

মেটচ লোইরবা মতুং বার্সেলোনা অমদি ক্রোএসিয়া ষ্টার ইভান রাকিটিচনা ফোঙদোরকখিবদা, সেমি-ফাইনেল শান্নদ্রিঙৈ মমাঙগী অহিং অদুদা মহাক লাইহৌ কন্না তৌখি, সেমি ফাইনেল শান্নবা মতম অদু ফাওবা মহাক লাইহৌ অদুদগী মপুঙ ফানা ফগৎপা ঙমদ্রি হায়খি।

রাউন্দ ওফ ১৬দা ক্রোসিয়ানা ডেনমার্কপু পীথরমখি। অদুগা ক্বাটর ফাইনেলদনা রসিয়াবু মায়থীবা পীরমখি। পেনাল্টি শুট আউট অনী মায় পাক্লবা মতুং ফাইনেল য়ৌশিল্লকখিবনি।

মিডফিল্ডদা মশক থোকপা থৌদাং লৌরিবা রাকাটিসকা লোয়ননা ক্রোসিয়াগী কেপ্টেন লুকা মোদ্রিস লৈরি। গ্রুপ ষ্টেজদা আর্জেন্টিনাবু ক্রোসিয়ানা ৩-০ দা মায়থীবা পীরমখিবা অদুগী অহুমশুবা গোল মশাগী চহী ৩০ শুরবা রাকিটিসনা স্কোর তৌখিবনি।

মশক নাইবা প্লেয়র কয়াগী মরক্তা রাকিটিসনা ক্রোসিয়ান সাইদতা য়াওরমদবা তারবদি ইংলেন্দগী মায়োক্তা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল অদুদা ক্রোসিয়াগী মপাঙ্গল খরদা ওইরবসু হঙ্গরমগনি।

অদুবু য়াম্না ঙকপা মওং অমদা মেটচ মমাঙগী অহিং অদুদা মহাক য়াম্না কন্না লাইহৌনা নাখি হায়না রাকিটিসনা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুদা মহাক্কী লৈজবী পুন্বা পুথোক্তুনা শান্নখি হায়নসু রাকিটিসনা ফোঙদোকখি।

ইংলেন্দনা ফাইনেল ইচঙদা চঙলবগুম সোসিয়েল মেডিয়াদা পোষ্ট কয়া অমা থাগৎনরকখিবগী মতাংদা ক্রোসিয়ান অসিনা ক্রিটিসাইজ তৌখি।

হৌজিক ক্রোসিয়া ফিফা ৱার্ল্ড ২০১৮ গী গ্রান্দ প্রাইজ অসি ফংনবগীদমক নোংমাইজিং নুমিৎ ফ্রান্সকা অরোইবা লান থেংনরগনি।

ফ্রেন্স প্লেয়রশিংবু অৱাবা পীগে অমদি ৱার্ল্ড কপ ট্রোফি অসিবু থাঙ্গৎকে হায়রবদি ক্রোসিয়াগী মথক্তা হৌজিক হৌজিক চন্দুনা লৈরিবা ৱার্ল্ড কপকি পাউখোং অসি ফোংবদা রাকিটিসনা পাউখোংগী ছো ওইরগনি।

Owned and published by Sapam Nishikanta Singh at Sega Road, Thoudabhabok Leikai, Imphal (Manipur) Pin - 795001 & Printed by him at Sangai Offset Printers, Sega Road, Thoudabhabok Leikai, Imphal (Manipur) Pin-795001; Edited by Khogendra Khomdram, RNI no. 72024/99